HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ



মণিপুর হোকরস এসোসিএসনগী মেম্বর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা খোইস্নাম কোবগী মচানুপা টোকিওনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মীংদা চহী খুদিংগী এসোসিএসন অসিদা শেলগী তেংবাঙ পীরকপগুম চহীসিগীসু মহাক্কী য়ুমদা লুপা লিশীং ৫ খুৎশিন্নবা

## ‘অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ, ওগষ্ট ১৩ লাকপদা নীংতম্বগা থৱায়গা ওন্নখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোক নোঞ্জদুনা ইকায়খুম্নবা উৎচরি’

- হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স

লাইব্রেরি সাইন্সকী মপানি হায়রিবা ডা. এস আর রঙ্গানাথনগী ১৩০শুবা মপোক নুমিৎতা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিনা মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসনগা খৎশম্নদুনা ‘লাইব্রেরি দে’ পাঙথোকপগী মৈরা চুখৎপা



Vol. 46, Issue No. 139 | থাংজ, থৱানগী ১৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, August 13, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Athoubasinggi ningshing numit pangthokpana maramdam nungshibagi ihul chelhanba ngamgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : ADC Bill, 2021gi matangda awai akhum tounabagi mahutta leingakna tang taba firep ama loufam thoktabra?

Yes 100% No 0%

**অস! লোইরেহে!**

- হৌজিকসিবু ফেসবুক পায়বা য়াদ্রে হায়বদাই?



- ঐগীসিদি নহা ওইথোক্লবা পায়বনি কায়দে।

# মীখলদা ঈ ভি এম শীজিন্নবা লাল্লি হায়রকপা পিটিসন সুপ্রিম কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিদা চৎনরক্লিবা দেমোক্রেসিগী লৈঙাকলোন অসিগী য়াংলেন শরূ ওইরিবা এসেমব্লি অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী মীখলনচিংবদা বেলোট পেপরশিং শীজিন্নবগী মহুত্তা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) শিং শীজিন্নরক্লিবা অসি লাল্লি অমসুং শীজিন্নরোইদবনি হায়দুনা চেলেঞ্জ তৌরকখিবা পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টনা মেরিট য়াওদে হায়দুনা দিসমিস তৌখ্রে।

পিটিসন অসি মশামকসু এদভোকেট ওইরিবা এম এল শর্ম্মা কৌবা কাউন্সেল অমনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্না সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১০০না পীরিবসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী ‘হাওস’ অমসুং ‘পৱার ওফ হাওস’ গী অহাঙবশিং লৈহন্দবগা লোয়ননা হায়রিবা হাওসশিং অসিগী ক্বারম ফাহন্নবগীদমক মীখল পাঙথোকপা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা প্রোভিজন অমনি হায়খি। অদুবু রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ৬১ এগী মতুংইন্না দেমোক্রেসিগী লৈঙাকলোন চৎলিবা লৈবাক অসিগী মীখলশিং পাঙথোকপদা বেলোট পেপর শীজিন্নবগী মহুত্তা ঈ ভি এমশিং শীজিন্নরক্লিবসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## পোজিটিভ ওইবা মীওই ২ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস) : হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ঙরাংগী রিপোর্টতা অপূনবা সেম্পল ৭৪৫ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা পোজিটিভ কেস ২৬ খক্তমক থেংনরগা পোজিটিভিটিগী চাংনা চাদা ৩.৫ খক্তদা লৈরে হায়খ্রবসু পোজিটিভ ওইরবা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোক্লবা নুপা অমা কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোরকখ্রবা মতুং হৌখিবা পুং ২৪দদি সেম্পল ৬৯৬ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা শুপ্নতগী পোজিটিভ কেস ১৮ খক্তমক থেংনরগা পোজিটিভিটিগী চাংসু চাদা ২.৬তা হাইথরকখ্রবসু কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা পোজিটিভ ওইরবা মীওই ২ কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অনীদু থৌবালদগী ১ অমসুং কাংপোকপীদগী ১নি হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মখোয় অনী লৈখিদবা থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২,১৪৩ শুরে। অদুগা মমাঙ থাগী ১৫দগীনা ঙসি ফাওবগী নুমিৎ ২৯নিগী মনুংদা নৌনা লৈখিদবা অপূনবা মীওই ২৩ শুখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎতা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচএনএস): মহৌশাগুম্না কুমসি চহীগীসু হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ (ওগষ্ট ১৩) থৌরমগী মাঙওইননা গভর্ণর লা গনেসন, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং মিনিষ্টরশিংদা থোঙাম বিশ্বাজিৎ, অৱাংবৌ ন্যুমাই, নেমচা কিপগেন, য়ুম্নাম খেমচান্দ অমসুং হৈখাম দিঙ্গোনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গভর্ণরনা মহাক্কী পাউজেলদা নুমিৎ অসিগী থৌরমনা ঐখোয়গী মথৌনা ফবা ইপা ইপুশিং বির টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেল, চিরাই নাগা, পুখ্রম্বম কাজাও, নিরঞ্জন সুবেদার অমসুং মমা লৈবাক্কী নীংতম্বা কন্নবগীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংবু অমুক হন্না নীংশিংহল্লে হায়রি।

মখোয়না অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১দা মপাঙ্গল কল্লবা বৃটিশ এম্পাইয়রবু চেলেঞ্জ তৌদুনা কৈশুমশঙদা লৈবগী মহুত্তা নীংতম্বা মাঙলবদি শিখিবনা ফৈ হায়রদুনা বৃটিশকা মায়োক্নরমখিবনি হায়রি।

# অপূনবা মণিপুর ওইহনবগী ৱাখলনা মাঙ থারবদি মচেৎ মকাই তাবগী ৱাখল মাঙখিগনি : বিরেন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী মীপূম খুদিংমক্না ষ্টেট অসিবু অপূনবা মণিপুর অমা ওইহনগদবনি হায়বা ৱাখল্লোননা মাঙ থারগা থবক থৌরম পূন্নমক পাঙথোল্লবদি ষ্টেট অসিদা মচেৎ মকাই তাবগী ৱাখল মাঙখিগনি হায়না চীফ মিনষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি লৈবাক অসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ মপূং ফারকপগীদমক চথরক্লিবা অজাদি কা অমৃট মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা টিদ্দিম লম্বীগী মাইবম লোৎপা চীংদগী লমথাখিবা মণিপুর মেগা মরাথোন, ২০২২দা মকোক মথং তারকখ্রবা লমজে ল্লোইশিংদা পার্টিগী মায়কৈদগী মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।




খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী থৌরমসু পুরিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর কে গোবিন্দাস, টেক্সটাইলস, কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি অমসুং কোওপরেসনগী থবকসু পুরিবা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট অধিকারিময়ূম শর্দা য়াওনা পার্টিগী মকোক থোংবা অমসুং মরু ওইবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি। মেগা মরাথোন অদুগী মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিগীদি লৈবাক অসিগী মীয়াম শোৎনা লৈহল্লোই হায়বগী অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা চঙশিল্লকপনি। লুচিংবা অসিগী মখাদা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌজবা ফংবসিমক লাইবক ফবনি হায়খি।

মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমুক হল্লকপা ঙম্লক্লিবা অসি পার্টি অসিদা মীয়াম্না থাজবা থম্বীবা অমসুং মীয়াম্না পার্টিদা থম্বা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## কে সী পিগী মীয়ামগী ফিঙাং লান্মীগী ১৮শুবা মপোক কুমওনদা মিলিটরি এফ্যেরস কম্মিটিনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২: কুমজা ২০২২ ওগষ্টকী চৈশিং ১৩ অসি কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী লান্মী শঙলূপ, মীয়ামগী ফিঙাং লান্মী (এম এফ এল) লিংখৎখিবগী ১৮শুবা মপোক কুমওন নুমিৎনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা এম এফ এল/কে সী পিগী মিলিটরি এফ্যেরস কম্মিটি (এম এ সী) না কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়াগী খুন্নাইচাশিং, য়াওল্লুপশিং, সী এস ওশিং, ইন্টলেকচ্যুএলশিং, মীদিয়াগী ইচিল-ইনাওশিং, হকশেল্লোইশিং, কুম্মৈরোইশিং, শান্নরোয়শিং অমদি মহৈরোয়শিং পূন্নমক্কী মফমদা য়াওলগী পাউজেল পীজরি হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী মীয়ামগী ফিঙাং লান্মী এম এফ এলগী মিলিটরি এফ্যেরস কম্মিটিনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৮৯১গী এঙলো-মণিপুর ৱারদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ ওগষ্ট ১৩দা এম এফ এল অসি লিংখৎখিবা ওইবনা, অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎকা এম এফ এলগী মপোক নুমিৎকা থৌরম অনীসি লূপসিগী ওইনা হৌখিবা চহী কয়াদগী নোংমত্তদা পাঙথোকচরক্লি। নুমিৎসিগী খুদোংচাবা লৌজরগা কে সী পি/এম এফ এলগী ৱাখল মীৎয়েং খরদং লৈবাক মীয়াম অমদি মরী লৈনবা মীওই পূন্নমক্কী মফমদা থল্লক্লি। কুমশিং ওগষ্ট ১৩, অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ ...মখা লামায় ৩ কলম ২



HL-B/7799/13



HL-B/7798/13